# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 09-04-2026)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা য়ু.কে.এন.এগী মীওই অহুম খুৎলায় অমদি কানিগা কোন্ননা ফারে।

২) ত্রোংলাউবী থৌদোক্কা মরী লৈননা শেমখিবা জে.এ.সিগী মীহুৎ কাংবুগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা ঙরাং উন্নখ্রে। দাবী ৭ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা জে.এ.সিনা মুখ্য মন্ত্রিদা পীশিনখি।

অমসুং

৩) অসাম, কেরলম অমসু পুদুচেরি বিধান সভা মীখলগী ভোৎ হৌজিক থাদনরি।

-----

পুলিস (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী মতুংদা সেক্যুরিতি ফোর্সনা মফম অদুগা নকবা চুরাচান্দপুর জিলাগী এরিয়াদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়ু.কে.এন.এগী মীওই অহুম খুৎলায়গা কোন্ননা ফারে। ফাগৎলবা মীওইশিং অদুদিগী এ.কে. ফোরতিসভেন রাইফল অমা, মরু ২৫, পিষ্টোল অমা, মেগজিন অনি, মরু ১৫, শেল ওইনা লুপা লিশিং ২০,১০০ লোয়ননা কানি কিলোগ্রাম ২১ রোম ফংলে। মখা তানা চুরাচান্দপুর জিলাগী মোলফৈ তম্পাক্তা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা এম.পি-নাইন ওতোমেতিক রাইফল অমা, পিষ্টোল অমা, লেথোদ ট্যুব অনি, পোম্পি অমা অমসুং কাপথোকখ্রবা মরু মঙা ফংলে।

রাজ্য পুলিসকী কন্ট্রোল রুমনা থোকপা চেরোল অমনা হায়- ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী মতুংদা য়াম্লবা মীওইশিংনা মোইরাং পুলিস ষ্টেসনগী মনুং চন্না লৈবা গেলমোন ভিলেজগী সি.আর.পি.এফ কেম্পতা থোমজিল্লকখি। খোইশাওনরবা মীয়ামা সি.আর.পি.এফকী গাড়ি য়াওনা অতৈ পোৎলম কয়া অমাং অতা থোকহনখি। মীয়াম অদু তানখায়নবা হোৎনবদা সি.আর.পি.এফনা নোংমৈ কাপথোরকপদা মীওই অহুম শিখি অদুগা ৩০ না অশোক অপন নংখি।

সেক্যুরিতি ফোর্সনা মখা তানা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা জিলাশিংদা পাক শন্না থিবা হুম্বগী থবক চথরি। ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা লুকেরদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা এস.বি.বি.এল গন অনি, পোইন্ট থ্রি টুগী পিষ্টোল অমা, নাইন এম.এম পিষ্টোল অহুম, নোংমৈ মরু ৫৩, হেন্দগ্রেনেদ অনি, দিতোনেতর অনি ফংলে।

ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা হেপ্পি লেন্দ ভিলেজ অমসুং মসিগী অকোইবা চীংখোঙ চীংয়াশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা নাইন এম.এম পিষ্টোল অমা, হেন্দগ্রেনেদ অনি, দিতোনেতর ৬, তোঙান তোঙানবা নোংমৈশিংগী মেগজিন ৭, ট্যুব লোঞ্চর অমা, নোংমৈ মরু ২১, টিয়ার গ্যাস সেল মরি, বুল্লেট প্রুফ প্লেট অনি, বুল্লেট প্রুফ জেকেট অমা অমদি অতৈ পোৎলমশিং ফংখি।

অমরোমদা, তেংনৌপল জিলাগী য়াঙৌবুং ভিলেজদা থিবা হুম্বগী থবক চথবদা নাইন এম.এম পিষ্টোল অনি অমদি চে চাং য়াওনা ভারত অমসুং ম্যান্মারদা চৎনবা শেল খরা ফংলে। মখা তানা পামদবা থৌদোক থোক্তনবা সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী নোংঙাদা শান্তিপুর মখা লৈকাইদগী আর.পি.এফ-পি.এল.এগী মীওই অমা ফাগৎলে।

ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী কৈশামথোং মনিং লোংজম লৈকাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অমা শঙাইপ্রৌ মমাং লৈকাইদগী ফাখি। মঙোনদগী মরু ৬ য়াওনা পোইন্ট ফোর ফাইভকী পিষ্টোল অমা মোবাইল ফোন অনি, চাকা অনি পানবা গাড়ি অমা, লাইসেন্স অমদি আধার কার্দ ফংলে।

মরক অসিদা, উখ্রুল জিলাগী লিতান পুলিস ষ্টেসন্না কোনবা মোংকোত চেপুদা আইন কায়না শাজিল্লম্বা বঙ্কর ৮ সেক্যুরিতি ফোর্সনা থুগাইখি হায়রি।

জেএসি (এল)ঃ ত্রোংলাউবীদা থোকখিবা অঙাং অনি লৈখিদবগী থৌদোক্কা মরী লৈননা শেমখিবা জোইন্ট এক্সন কমিতি (জে.এ.সি)গী মীহুৎ কাংবুগা মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দগা উন্নখ্রে। ঙরাং নুমিদাং মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা উন্নবা অদুদা গৃহ মন্ত্রি গোবিনদাস কোন্থৌজম অমদি অতৈ এম.এল.এশিং শরুক য়াখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- শান্তি থুগাইনবা চত্থরকপা থবকশিংগী মথক্তা সরকারনা অকনবা মীৎয়েং চংগনি। অসিগুম্বা থৌদোক মখা তানা থোক্তনবা পায়খৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং পায়খৎকনি হায়নসু শ্রী খেমচান্দনা ফোংদোকখি।

অমরোমদা, জোইন্ট এক্সন কমিতিগী মাইকৈদগী তোঙান তোঙানবা ৱাফম ৭ য়াওবা মেমোরেন্দম অমা মুখ্য মন্ত্রিদা পীশিনখি। জে.এ.সিগী ৱাফমশিং অদু থবক্তা ওন্থোকবা পায়খৎপা য়াবা থৌরাংশিং পায়খৎকনি হায়নসু থাজবা পীখি হায়রি।

কন্দেম (এল)ঃ বিষ্ণুপুর জিলাগী ত্রোংলাউবী থৌদোক্তা অঙাং অনি লৈখিদবা, মমানা অশোক অপন নংখিবা অমদি খোইশাউনরবা মীয়ামা সি.আর.পি.এফ কেম্পতা থোমজিনবদা মীওই ৩ শিখিবা, অতোপ্পা ৩০ অশোক অপন নংখিবগী থৌওং অদু নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হেদক্বাটরস মণিপুরনা য়ামা কন্না য়ানিংদবা ফোংদোকপগা লোয়ননা থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখে। চেরোল অমদা নাগা ৱিমেন্স য়ুনিয়ন্না হায়- অসিগুম্বা থৌওং অসি রাজ্য অমদি কেন্দ্র সরকারনা য়ামা লুমা লৌবগা লোয়ননা মরাল লৈবশিং ফাগৎতুনা চৈরাক পীগদবনি। ইমুং মনুংনা তাহৌরিবা অৱা অনাশিংদা নাগা ইমাশিংনা শরুক য়ারি অমদি মখোয়গীদমক খোঙফম চেৎনা লেপকনি হায়রি।

থৌদোক অদুবু ওল মণিপুর মুস্লিমস মৈতৈ পাঙল ৱেলফ্যার এসোসিয়েসন্না থম্মোয় শোকা নুংঙাইতবা ফোংদোকখ্রে। লমদম অসিদা শান্তি

অমসু তংদু লৈতাবা অথুবা মতমদা হঞ্জিনহন্নবা সরকারনা অথুবদা থবক পায়খৎপীনবা এসোসিয়েসন অসিনা দাবী তৌরি।

মীখল ঃ অসাম, কেরলম অমসুং পুদুচেরি য়ুনিয়ন তেরিতোরি মীখলশিংগী ভোৎ হৌজিক থাদনরি। মীখল অসিদা অসামদা সিট ১২৬, কেরলমদা ১৪০ অদুগা পুদুচেরিগীনা সিট ৩০ গী মীহুৎশিং খনগনি। ভোৎ থাদবা হৌজিক ঙাইহাক্কী মমাং অয়ুক পুং ৭ তগী হৌখ্রে, নুমিদাংৱাইরম পুং ৬ ফাওবা থাদনগনি।

অসামদা সিট ১২৬ কীদমক মীরেপ ৭২২ না লন্বা তৌনরি। কেরলমগী সিট ১৪০ গী ওইনা মীরেপ ৮৮৩ অদুগা পুদুচেরিগী সিট ৩০ গী পুন্না মীরেপ ২৯৪ না মীখল অসিদা লন্বা তৌরি। মীখলশিং অসি নিংথিনা অমসুং নিয়ম চুমা পাঙথোকবগীদমক ইলেক্সন কম্মিসন্না অখন্নবা থৌরাং পায়খৎলি। ভোৎ থাদবা য়ারবা চহি শুরবা ভোতর য়াওনা খ্বাইদগী অহল ওইরবা ভোতর খুদিংমক মীখল অসিদা ভোৎ থাদবীনবা অসামগী চীফ ইলেক্তোরেল ওফিস অনুরাগ গোয়লনা আপীল তৌরি।

অমরোমদা, তাঙ্কক অমখক্তা পাঙথোক্কদবা তামিলনাদু বিধান সভা সভা মীখলগী মীরেপচে লৌথোকপগী অরোইবা নুমিৎ ঙসিনি। নোংচুপ বেঙ্গলগী অহানবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে লৌথোকপগী নুমিৎ ঙসি লোইরে। রাজ্য অসিগী অনিসুবা তাঙ্কক্কী মীরেপচে পীশিনবগী অরোইবা নুমিৎসু ঙসিনি। মীখলশিং অসিগী ভোৎ মশিং মে ৪ দা থীগনি।

সিজ ফয়ার ঃ আমেরিকা অমসুং ইরান লৈবাক অনিনা চয়োল অনিগী ওইবা সিজ ফয়ার তৌনখিবা অদুবু ভারতনা তরামা ওকখ্রে।

নিউ দিল্লিদা ঙরাং পাঙথোকপা মন্ত্রিশিংগী মীফমদা নোংচুপ এসিয়া লমদমদা ওইরক্লিবা ফিভম অদুগী মতাংদা খন্নবদা শরুক য়ারদুনা মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী মচিন চৎপা মীশক রন্ধির জৈসৱালনা হায়– আমেরিকা অমসুং ইরান লৈবাক অনিনা সিজ ফয়ার তৌনরকপা অসিনা নোংচুপ এসিয়া লমদমদা মখা

তানা শান্তি লৈরগনি হায়বগী আশা তৌরি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়গী পাউনা হায়- আমেরিকা অমসুং ইরান্না মখা তানা লান তৌদনবা ৱারী শান্নরগা লৌখৎফম থোকপা থৌরাং কয়া লৌখৎনবা নিউ দিল্লিদা তকশিন্দুনা লাকখিবনি।

---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

সি.আর.পি.এফকী নোংমৈ মরুনা পানখিবা মীচম অমসু লৈখিদ্রে, হকচাং মঙাগী পোষ্ট মোর্টেম একজামিনেসন তৌদ্রি হায়বা হেদলাইন অসি হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইননি। চীফ মিনিষ্টর অমসুং হোম মিনিষ্টর ফম থাদোক্কদবনি হায়না হৌরকপা মীয়াম তিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা তানখায়খ্রে হায়বা পাউ অসিনা অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

ত্রোংলাউবাগী থৌদোক্কা মরী লৈননা চীফ মিনিষ্টরনা চেয়ার লৌরগা য়ুনিফাইন কম্মান্দগী মীফম পাঙথোকখ্রে হায়বা হেদলাইন অসি পোকফমগী অহানবা হেদলাইননি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল, মণিপুর মেল, হিলস হোর্নবিল এক্সপ্রেস অমদি গানফিউ মেলদসু ফোংবা থেংনরে।

ঙরাংসু পুলিসকা মুকখি, তিয়ার গ্যাস কাপ্তুনা তানখায়খি, ঙসি লৈঙাক্কী লোইশঙশিং বোইকোট তৌবীয়ু হায়বা হেদলাইন অসি শঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী ইদিসনগী অহানবা হেদলাইন্নি। ষ্টেট স্পোন্সর তেরোরিজম, প্রোক্সি ৱার খুদক্তা লেপকদবনি হায়না তোঙান তোঙানবা লুপশিংনা থমরকখিবা ৱাফম পাউচে অসিগী অনিসুবা হেদলাইন ওইরি।

ত্রোংলাউবীদা বোম পোকখায়হনখিবা থৌদোক্কী মতুংদা য়ু.কে.এন.এগী মীওই অহুম ফারে হায়বা পাউ অসি শঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস ইদিসনদা অনিসুবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

ফারবা অহুম ত্রোংলাউবী থৌদোক্তা চেন্নব্রা হায়বা ৱাহংগী পাউখুম লৈঙাকা পীবা ঙমখিদ্রে, মীয়ামগী ইরাং নাথৈনবা মখোয় অহুম ফারিব্রা চিংনবা লৈরে হায়বা হেদলাইন অসি সনালৈবাক্তা ফোংবা থেংনরে।

সি.এমনা চেয়ার লৌদুনা য়ুনিফাইদ কম্মান্দগী মীফম পাঙথোকখ্রে, ত্রোংলাউবীদা লৈখিদ্রবা অঙাং অনিগী ইমুংদা লুপা লাখ ১০-১০ গী এক্স-গ্রেসিয়া পীরগনি হায়বা পাউ অসিনা নহারোলগী থৌদাংদা অহানবা হেদলাইন পীদুনা ফোংলি।

সি.এম. খেমচান্দনা ওল পার্তি মিতিং কৌদুনা ত্রোংলাউবী থৌদোক্কী মতাংদা খন্নখ্রে হায়বা হেদলাইন অসিনা তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন পীরি।

------